# য়ুক্রেনগী লান: রসিয়াগী রোকেটতা ইকজোমার্স রোভর লোঞ্চ তৌনবগী থৌরাং ইএসএনা সস্পেন্দ তৌখ্রে



ব্রসেলস, মার্চ ১৮ (এজেন্সী): রসিয়াগা পার্টনরশিপতা শাবা ইকজোমার্স রোভর মিশন মোস্কোনা য়ুক্রেনদা লান্দাবদগী য়ুরোপিয়ন স্পেস এজেন্সি (ইএসএ) না সস্পেন্দ তৌখ্রে।

ইকজোমার্স রোভর অসি রসিয়াগী রোকেটতা কুমজা ২০২২ গী সেপ্টেম্বরদা লোঞ্চ তৌনবা লেপ্লম্বনি।

ইএসএগী মেম্বর ষ্টেট ২২ গী রিপ্রজেন্টিটিবশিংগী ওইবা মীফম অমা মার্চ ১৬ অমদি১৭ তা পেরিসতা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মিশন সস্পেন্দ তৌবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

ইএসএগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না মীফম অদুদা মেম্বরশিংনা কুমজা ২০২২ দা ইকজোমার্স রোভর মিশনগী মতাংদা রোস্কোমোচতা মখা তানা কোওপরেসন পীনবা য়াররোই হায়না লেপ্পখি।

য়ুক্রেনদা লান্দাবগী পাউখুম ওইনা মেম্বর ষ্টেট পুম্নমক্না রসিয়াগী মায়োক্তা শেল থুমগী অথিংবশিং থমখ্রবনি। ফেব্রুৱারীগী অথেংবা শরুক্তা ইএসএ বজেটতা খ্বাইদগী চাওনা কন্ত্রিব্যুট তৌরিবা জমর্নিনা রসিয়াগা সাইন্সকী লমদা পীনবা কোওপরেসন পুম্নমক সস্পেন্দ তৌখি। রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দারিবা অসিবু ইএসএনা কন্দেম তৌখ্রবনি।

ইএসএগী ষ্টেটমেন্টনা মখা তানা হায়, য়ুক্রেনগী মায়োক্তা অকন অরিং শিংবগী থৌওংশিং চথবদগী মীশি মীনা অমদি অমাঙ অতা কয়া থোকহল্লিবসি ঐখোয়না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

স্পেসকা মরী লৈনবা সাইন্টিফিক এক্সপ্লোরেসনদা চৈথেং চাওনা পীরক্লিবসি ঐখোয়না শকখঙবগা লোয়ননা মেম্বর ষ্টেটশিংনা রসিয়াগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থল্লিবসি ইএসএনা মপুং ফানা শৌগৎলি।

ইএসএ কাউন্সিলগী মীফম অদুনা ইএসএগী দিরেক্তর জেনরেলদা একজোমার্স রোভর মিশন ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগী অতৈ ওপসনশিং য়েংনবগী ওথোরাইজেসন পীখি। য়ুক্রেনদা লান্দারিবা অসিনা মরম ওইরগা রসিয়াগী ফেদরেল স্পেস এজেন্সি রোস্কোমোচনা মিশন লোঞ্চ তৌবা ওইথোক্লরোই হায়বা ৱারেপকা লোয়ননা কাউন্সিলনা দিরেক্তর জেনরেলদা অতৈ ওপসনশিং খঙদোক্লবগী অয়াবা পীখিবনি।

পেরাচুটকা মরী লৈনবা ইস্যু খরনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০১৮ দগী য়ৈথোক্তুনা লাক্লবা মিশন অসি ইনৌ নৌবা ইএসএ কাউন্সিলগী মীফম অসিনা অনৌবা চৈথেং অমসু পীরি।


স্পেস দোট কোমগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইকজোমার্স রোভর লোঞ্চ অসি লাক্লিবা সেপ্টেম্বরদা রসিয়াগী প্রোটোন রোকেট অমা শীজিন্নরগা পাঙথোক্লবা হন্দক্তা লেপখিবনি।

ইকজোমার্স রোভর অসি ইকজোমার্স প্রোগ্রামগী মিশন অনীগী মনুংদা অনীশুবনি। অহানবা মিশন অদু দিএনএগী ষ্ট্রকচর দিকোদিন তৌবদা মরু ওইবা রিছার্স পাঙথোক্লিবা বৃটিস কেমিষ্ট অমগী মমিং লৌরগা থোনখিবনি।

মিশন অসি মার্স প্লানেটকী এটমোস্ফিয়রদা থৱায় পানবশিংগী ট্রেসশিং থিদোকপা য়ানবা মওংদা দিজাইন তৌবনি।

# পেলিটিকেলগী য়ান্নদবা মরক্তা লিবিয়াদা মরা তপ্পা ফিভম কায়হন্দনবা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেলনা আপিল তৌখ্রে

ট্রিপোলি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী): লিবিয়াদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল গ্রুপশিংগী লুচিংবশিংগী মরক্তা অমগা অমগা য়ান্নদবা ফিভম লৈরিঙৈ মরক্তা লৈবাক অসিদা মরা তপ্পা ফিভম লিংননবা য়ুএন সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসনা আপিল তৌখ্রে।



লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম তান্নবা অনীগী মরক্তা অমা ওইরিবা ফাথি বাসাগাগা ফোনদা ৱারী শান্নবদা গুটরেসনা আপিল অসি তৌখিবনি।

কুমজা ২০২১ গী সেপ্টেম্বরদা ভোট লৌনখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর অব্দুল হামিদ দৈবাগী গভর্নমেন্ট ওফ নেসনেল য়ুনিটিদা মেম্বরশিংনা থল্লম্বা থাজবা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টটিবসনা ৱিদ্রো তৌখিবনি।

মার্চ ১ দা বাসাগানা লুচিংবা অনৌবা গভর্নমেন্টগা মরী লৈননা কোদ ওফ কনফিদেন্স অমা পাঙথোকখি অমসুং নুমিৎ নীনি লৈরগা অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা ৱাশক লৌখি।

দৈবিয়াদা মার্চ ১ দা পাঙথোকখিবা ভোট অদু লোনা য়াদে হায়রদুনা রিজেক্ট তৌখি অমসুং মহাক্না ইলেক্টেদ গভর্নমেন্ট অমদা পৱার ট্রান্সফর তৌগনি হায়খি।

ভোট অদু ট্রান্সপরেন্সি অমসুং প্রোসিজ্যুরশিংগী লৈফম থোকপা ষ্টেন্দর্দ লৈখিদে হায়বা রিপোর্টশিংগী মতাংদা মার্চ ২ দা গুটরেসনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

রিপোর্টশিং অদুদা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসকী সেসন পাঙথোক্ত্রি ঙৈগী মাঙওইননা কিহনবগী থৌওংশিং চথখি হায়না পনখিবনি।

ফোনদা ৱারী শান্নবা অদুদা সেক্রেটরি জেনরেল অমসুং মসাগানা লিবিয়াদা ইনৌ নৌনা ওইরক্লিবা ফিভমশিং খন্ন নৈনখি হায়না গুটরেসকী স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজরিক্না ফোঙদোকখি।

স্পোক্সমেন অসিগী মতুং ইন্না হৌজিক লিবিয়াদা ওইরক্লিবা পোলিটিকেল পোলারাইজেসনগী ফিভমদা গুটরেসনা নুংনাংবা উৎখি। ফিভম অদুনা ৱানা হোৎনরক্লবা মতুংদা লৈবাক অদুদা উরিবা মরা তপ্পগী ফিভমদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়না গুটরেসনা অকিবা ফোঙদোকখি।

স্পোক্সমেন অসিনা মখা তারদুনা হায়, শগোলশেল নুমিত্তা ফোনদা ৱারী শান্নখিবা অদুনা সেক্রেটরি জেনরেলনা বাসাগাবু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনষ্টর ওইনা শকখঙবদি নত্তে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইমান্যুয়েল মেক্রোননা রি-ইলেক্সন মেনিফেষ্টো রিলিজ তৌখ্রে



পেরিস, মার্চ ১৮ (এজেন্সী): ফ্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ইমান্যুয়েল মেক্রোননা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনগা মরী লৈননা মহাক্কী মেনিফেষ্টো পুথোকখ্রে। লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্সিএল মীখল এপ্রিলদা পাঙথোক্লবা লেপখ্রবনি।

প্রেস কনফরেন্স অমদা মেক্রোননা মহাক্কী রিফোর্ম প্লানশিং উৎখি। রিফোর্ম প্লানশিং অদুনা কোল্লিবা সেক্তরশিংদা ইকনোমিক, কলচর, এগ্রিকলচর, দিফেন্স, এদুকেসন, ৱার্ক প্লেস, জেন্দর ইক্বেলিটি, ৱেলফ্যের, হাউস হোল্ডস, সেনিয়রশিং অমসুং লৈবাক অসিগী ইন্সটিট্যুসনশিং য়াওরি।

মেক্রোননা হায়খি, মদুদি মপাঙ্গল কল্লবা য়ুরোপ মনুংদা ঐখোয়না ফ্রাঞ্চপু হেন্না নিংতম্বা লৈবাক অমা ওইহনগদবনি। পান্দম অসি ফঙনবগীদমক্তা গভর্নমেন্টনা তোঙান তোঙানবা হাই-গ্রোদ সেক্তরশিংদা য়ুরো বিলিয়ন ৩০ ইনভেষ্ট তৌরগনি।

মেক্রোনগী মথং চহী মঙাগী পান্দমদি লৈবাক অসিবু মপানগী ইনর্জি অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী পোথোকশিংগী মপান তাংবগী মহুত্তা ফ্রেঞ্চ সেক্তরশিং চাদ ১০০ চাওখৎহনবা অসিনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি মহাক্না নেসনেল ৱিদ লেভেলদা রিনুএবল ইনর্জিগী স্যের হেনগৎহনবা, ন্যুক্লিয়র রিএক্টর মশিং য়ামখৎহনবা অমসুং পব্লিক ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং প্রাইভেট কম্পেনিশিংগী ইনভেষ্টমেন্ট হেনগৎহন্নবগী পান্দম থল্লি।

লিজিং প্রোগ্রামশিং য়াওনা ইলেক্ট্রিক ভেহিকলশিং মীয়াম্না পাক্তক্না শীজিন্নবা ঙমহন্নবা লৈবাক অসিবু গ্রিন টেক্নোলোজিগী লমদা মাঙজিল থাবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইহনবগী পান্দমসু লৈ হায়নসু মেক্রোননা ফোঙদোকখি।

মথং চহী তরা ফাওবগী মনুংদা মেক্রোননা রিছার্সতা য়ুরো বিলিয়ন ২৫ ইনভেষ্ট তৌনবা থৌরাং তৌই। মহাক্কী পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন রিফোর্ম প্লানশিংগী পান্দমদি সোসিএল অমসুং লেবর ৱেলফ্যের ইম্প্রুভ তৌবনি।

মহাক্না হায়, অনীশুবা টার্ম অমগসু পৱার শীন্নরক্লবদি পেন্সিন রিফোর্ম অসি মহাক্কী গভর্নমেন্টগী প্রাইওরিটি প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইহনগনি। কুমজা ২০২২ গী ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনগী অহানবা রাউন্দ এপ্রিল ১০ দা পাঙথোক্কনি অমসুং কেন্দিদেট অমত্তনা মেজোরিটি ভোট ফঙবা ঙমদ্রবদি টোপ কেন্দিদেট অনীগী মরক্তা এপ্রিল ২৪ দা রনওফ অমা পাঙথোক্কনি।

# রসিয়ন ফোর্সশিংনা আর্টিলরি এটেক্ট চথবদা অমেরিকান সিটিজেন অমা শিখ্রে: ষ্টেট দিপার্টমেন্ট

ৱাশিংতন, মার্চ ১৮ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী চার্নিহিপতা রসিয়ন ফোর্সশিংনা অকনবা আর্টিলরি এটেক্ট চথবদা অমেরিকান সিটিজেন অমা শিখ্রে হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী স্পোক্স পার্সন অমনা পল্লদুনা মিদিয়া রিপোর্ট খরনা হায়রি।

স্পোক্স পার্সন অদুনা শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফল পল্লদুনা বিবিসিনা হায়, মার্চ ১৭ তা য়ুক্রেনদা য়ুএস সিটিজেন অমা শিখি হায়বসি ঐখোয়না কনফার্ম তৌরি। লৈখিদবা অসিগা মরী লৈননা ঐখোয়না ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি।

অরুবা মতম অসিদা ঐখোয়গী মায়কৈদগী ইমুং মনুংদা ইকায় খুম্নবা উৎলি। মতাং অসিদা ঐখোয়না মখা তাবা কম্মেন্ট পীবা ঙমদে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।



ন্যু য়োর্ক টাইমসকী রিপোর্ট পল্লদুনা বিবিসিনা মখা তানা হায়, ভিক্তিম অদু মশক খঙলে। মহাক্কী মমিং জেমস হ্বাইনি হিল কৌই। মহাক সিটিজেন অদুদা খুৎলায় পায়দবা সিভিলিয়নশিংদা আর্টিলরি এটেক্ট চথখিবদা শিখিবনি।

ন্যু য়োর্ক টাইমসকী মতুং ইন্না হিল হৌখিবা দিসেম্বরদা য়ুক্রেনিয়ন নুপী অমা ওইরিবী মহাক্কী লোইনবীগা লোয়ননা য়ুক্রেনদা চৎখি। লোকেল হোস্পিটাল অমদা নুপী অদু লায়েংনবগীদমক্তা খোঙচৎ অদু চৎখিবনি।

হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা য়ুক্রেনদা ওইরক্লিবা খুদোং-থীনিংঙাই ওইবা ফিভমগী মতাংদা হিলনা তোইনা ইরকখি। ফেসবুক্তা ইরদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি নুমিৎ খুদিংগী মীওই কয়া লানদগী নাম্বোক্লবা হোৎনরিঙৈদা শিখি। অহিংগী মতমদা নোংথক্তগী বোম থাদরকখি। লৈবদা অদুক্কী মতিক খুদোংথীনিংঙাই ওই।

নোংমগী মনুংদা পুং খরদমক ৱাই ফাই শীজিন্নবা য়াবগী খুদোংচাবা ফঙই। ঐখোয়দা লৈরিবা চান থক্লবা পোৎলমশিং অসিসু নুমিৎ খরনিদগী হেন্না চৎলোই।

চৈরকসিদা, য়ুক্রেন অসি পেন্টাগোনগী খ্বাইদগী চাওবা বাইও-লেবোরেটরি প্রোজেক্ট ওইবা য়াই হায়না রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লভরোবনা ফোঙদোকখ্রে।

আরটি ন্যুজনা লভরোবকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, হিরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না দোক্যুমেন্ট কয়া লৈরে। দোক্যুমেন্টশিং অসি য়ুক্রেনদা লৈরিবা য়ুএসকী লেবোরেটরিশিংদা চথরিবা মিলিটরি বাইওলোজিকেল এক্তিভিটিশিংগা মরী লৈনৈ। দোক্যুমেন্টশিং অসি য়ুক্রেনিয়ন ওফিসিএলশিং অমসুং অমেরিকানশিংনা খুৎয়েক পীনবশিংনি।

রসিয়াগা থংনবা হান্নগী সোভিয়েট লৈবাকশিংদা য়ুএসকী মান্নবা লেবোরেটরি কয়া লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লেবোরেটশিং অসিগী এক্তিভিটিশিং মেনেজ তৌরিবা পেন্টাগোনগী মীৎয়েংদা য়ুক্রেন্না খ্বাইদগী চাওবা প্রোজেক্টনি হায়না লৌরম্বা য়াই। আরটিগী ইন্টরভিয়ু অমদা লভরোবনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ুএস য়াওনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শেল থুমগী অথিংবা কয়া লাউথোকপা অসিনা মতম চুপ্পদা রসিয়াগী পাঙ্গল হেনগৎহল্লি।

প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা ফোঙদোকখিবগুম লৈবাক কয়ানা রসিয়াগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থল্লিবসি য়েংলগা রসিয়ানশিং খ্বাইদগী হেন্না খাঙবা কল্লি অমসুং থবক তৌবা ঙম্মী হায়বা য়াই।

রসিয়াগী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবশিং অসি দিপিআরকে অমসুং ইরানগী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবশিংগী মশিংদগী শরুক অনী হেল্লি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# বিহারদগী হৌখিবা হেল্‌ঠ এক্সপার্ট অমবু বাইদেননা য়ুএস কোভিদ রেস্পোন্সকী টোপ ওফিসিএল হাপখ্রে



ন্যু য়োর্ক, মার্চ ১৮ (এজেন্সী): বিহারদা পোকখিবা গ্লোবেল হেল্‌ঠ এক্সপার্ট অমবু য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা লৈবাক অসিগী কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্কী রেস্পোন্স য়েংশিল্লিবা টিমগী মকোক থোংবা ওফিসিএল ওইনা হাপখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা এপোইন্টমেন্ট অদুবু লাউথোক্লদুনা প্রসিদেন্ট বাইদেননা হায়খি, মদুদি ডাক্তর অশিস ঝা অনৌবা হ্বাইট হাউস কোভিদ ১৯ রেস্পোন্স কোওর্দিনেটর হাপ্লে। ডাক্তর ঝা অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরু ওইবা পব্লিক হেল্‌ঠ এক্সপার্টশিংগী মনুংদা অমনি।

অমেরিকান কয়ানা মহাকপু মুন্না খঙই। ব্রাউন য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ পব্লিক হেল্‌ঠকী দিন ওইরিবা ঝা অসি কোভিদ পেন্দেমিক্কী মরমদা মিদিয়ানা তোইনা এক্সপ্লেন্ট তৌহল্লিবা খ্বাইদগী পান্নবা এক্সপার্টশিংগী মনুংদা অমনি।

ঝানা ত্বিট অমদা হায়, পেন্দেমিক অসি লাকশিন্নবা পায়খৎলিবা থবকশিং শিংথানিংঙাই ওইনা খুমাঙ চাওশিল্লবসু হৌজিকসু অমেরিকানশিংবু লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা পায়খৎকদবা মরু ওইবা থবক কয়া লৈরি।

মরম অদুনা ঐহাকপু লৈবাক অসিগী কোভিদ রেস্পোন্স পান্নবা মরু ওইবা পোজিসন অমা শিন্নবীরকপা অসি ঐহাকপু ইকায় খুম্নবীবনি হায়না লৌই।

য়ুএস হেল্‌ঠ ক্যের সিষ্টেমগী অৱাংবা থাক্তা থবক তৌরিবা সর্জন্ট জেনরেল ভিবেক মুর্থি, নেসনেল দ্রগ কন্ট্রোল পোলিসিগী দিরেক্তর রাহুল গুপ্ত অমসুং সেন্টর ফোর মেদিক্যের দিরেক্তর মিনা সেসামনিগী মথক্তা হৌজিক ডাক্তর ঝা অসি য়াওরগনি।

মখোয় লোইনমক ইন্দিয়াদগী হৌখিবা ঙাক্তনি। ঝাগী মমাঙদা জেফ জিয়ন্টনা ফম অসি পায়রম্মী। মহাক থা ১৪ ফম অসি পায়রল্লবা মতুংদা হ্বাইট হাউস থাদোক্কদবনি। মহাক্কী মতমদা কোরোনা ভাইরসকী ভেরিয়েন্ট অনী হায়বদি দেল্টা অমসুং ওমিক্রোননা য়ুএসতা কোভিদ কেস মশিং কা হেন্না ৱাংহনখি।

অমেরিকান চাদ ৬৫ না য়ামদ্রবদা কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ অমা কাপ্পবা মতুংনা জিয়ন্টনা ওফিস থাদোক্কদৌরিবনি। ঝা কুমজা ১৯৭০ দা বিহারগী পুরসৌলিয়াদা পোকখি। মহাক্কী মমা মপা অনীমক এদুকেটরশিংনি। কুমজা ১৯৭৯ দা মহাক্কী ইমুং কানাদাদা চৎখি অমসুং কুমজা ১৯৮৩ দা য়ুএসতা অমুক হোংখি। মহাক কলম্বিয়া য়ুনির্ভসিটিদা ইকনোমিক্সতা বিএ লোইশিনখি অমসুং মখা তাবা ষ্টদি ওইনা মেদিসিন তমখি।

মহাক হর্বর্দ য়ুনির্ভসিটিদগী এমদি অমসুং পব্লিক হেল্‌ঠতা মাষ্টর ফঙখি।

# রসিয়ানা য়ুক্রেনগা মখা তানা নিগোসিএসন চথনবা শেম শারি: সর্গি লাভরোব



মোস্কো, মার্চ ১৮ (এজেন্সী): নাকল অনীগী মরক্তা লান শোক্লরিঙৈ মরক্তা টর্কিনা ৱাতেমদুনা মোস্কো অমসুং কিভকী মরক্তা অনৌবা নিগোসিএসন রাউন্দ চথখ্রবা মতুংদা রসিয়ানা য়ুক্রেনগা অৱাংবা থাক্কী ট্রাইলেটরেল নিগোসিএসন চথনবা শেম শারে হায়না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোবনা ফোঙদোকখ্রে।

টর্কিগী মহাক্কী লেঙমান্নবা মেভলুট কাভুসোগলুগা মোস্কোদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা লাভরোবনা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, অসিগুম্বা ইনিসিএটিবশিং চথরক্লবদি ঐখোয়না ফোর্মেট অসিদা মখা তানা ৱারী শান্নবগী ৱাফম অসি তরাম্না ওকই।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ৱারী শান্নবনা মশক থোকপা রিজল্টশিং লাক্তুনা হৌজিক লৈরিবা প্রোব্লেমশিং সোল্ভ তৌগদবা ওইরবদি রসিয়ানা য়ুক্রেনগা ৱারী শান্নবা ৱাফম অসি য়াই। কাভুসোগলুগী মতুং ইন্না টর্কিনা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টশিংগী মরক্তা মীফম অমা শিন লাংননবা শেম শাদুনা লৈ।

হৌখিবা চয়োলদা টর্কিগী সাউর্দন প্রোভিন্স অন্টালিয়াদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল ফোরম অমগী নাকোয়ননা লাভরোবনা য়ুক্রেনগী মহাক্কী লেঙমান্নবা দামিত্রো কুলেভাগা উন্নখি।

মসি রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা অখন্নবা মিলিটরি ওপরেসন অমা লোঞ্চ তৌখিবদগী মোস্কো অমসুং কিভকী মরক্তা পাঙথোকপা অহানবা অৱাংবা থাক্কী মীফমনি।

য়ুমশকৈশগী অঙনবদা রসিয়ান প্রসিদেন্সিএল এইদ ৱ্লাদিমির মেদিন্সকিনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা ৱারী রাউন্দশিংদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেননা ইস্যু কয়াদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙল্লে। ইস্যু খুদিংমক্তা নক্তুবসু পোজিসন কয়াদা প্রোগ্রেস খরা লৈরে।

পার্টিশিংগী পোজিসন ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লে। ঐখোয়না তপ্লবসু তপ্না ৱারী শান্নবদা প্রোগ্রেস লৈরি হায়না মোস্কোগী দেলিগেসন অদুগী মকোক ওইরিবা মেদিন্সকিনা ফোঙদোরক্লি। খ্বাইদগী নৌবা নিগোসিএসন রাউন্দদা য়ুক্রেনগী ন্যুট্রেল ষ্টেটস কায়হন্দনা থম্বা, দিমিলিটেরাইজেসন অমদি য়ুক্রেননা মেন্টেন তৌবা য়াবা আর্মিগী সাইদকী ৱাফম খন্নখি হায়খি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE LILONG (THOUBAL) MUNICIPAL COUNCIL
LILONG, THOUBAL DISTRICT.
/ NOTIFICATION
Lilong, the 11th March, 2022

NO.4/1/2022-LTMC: It is hereby notified that under the Swachh Bharat Mission (Urban), the whole area of the Lilong (Thoubal) Municipal Council shall be declared as Open Defeacation Free Plus (ODF+).

If there be any claims & objections or suggestions as the case may be, should be submitted or lodged to the undersigned within 15 days with effect from the date of this notification.

Sd/- Mungva Victor
Executive Officer
Lilong (Thoubal) Municipal Council.
HL-P/1944/19

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE LILONG (IMPHAL WEST) MUNICIPAL COUNCIL
LILONG, IMPHAL WEST DISTRICT.
/ NOTIFICATION
Lilong, the 11th March, 2022

NO.4/1/2022-LTMC: It is hereby notified that under the Swachh Bharat Mission (Urban), the whole area of the Lilong (Imphal West) Municipal Council shall be declared as Open Defeacation Free Plus (ODF+).

If there be any claims & objections or suggestions as the case may be, should be submitted or lodged to the undersigned within 15 days with effect from the date of this notification.

Sd/- Mungva Victor
Executive Officer
Lilong (Imphal West) Municipal Council.
HL-P/1944/19

# অফঘানিষ্টানদা টিএপিআই পাইপলাইন প্রোজেক্ট থুনা হৌরগনি: টালিবান

কাবুল, মার্চ ১৮ (এজেন্সী): টুকমেনিষ্টান-অফঘানিষ্টান-পাকিষ্টান-ইন্দিয়া নক্তগা টিএপিআই পাইপলাইনগী টেক্নিকেল ইস্যুশিংগী মতাংদা নিগোসিএসন পাঙথোক্লে অমসুং কালেনগী অঙনবা শরুক্তা প্রোজেক্ট অসি মখা চথরগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা টালিবাননা লুচিংবা গভর্নমেন্টগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেনস এফিয়ার্সনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী সেনিয়ার ওফিসিএল অমা ওইরিবা সর্জি অজমগী ৱারোল পল্লদুনা টোলোনিয়লসনা হায়, মতম খরগী মনুংদা টিএপিএ পাইপলাইন প্রোজেক্ট অসি অমুক হন্না পায়খৎপা হৌননবা খুদক্তা চপ চাবা মতম অমা লেপ্পনবা হোৎনরি।




টিএপিআই য়াওনা অতৈ প্রোজেক্টশিংগী থবক থুনা হৌরগনি। টিএপিআই পাইপলাইন প্রোজেক্ট অসিনা অফঘান সিটিজেনশিংদা থবক ফঙহনগনি হায়না ইকনোমিসশিংনা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি।

অহমদ মুনিট রাসা কৌবা ইকনোমিস অমনা হায়, অসিগুম্বা অরুবা মতম অমদা প্রোজেক্ট অসি অমুক মখা চথগদৌরিবা অসি মরু ওইবা খোঙথাং অমনি। প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপনা মীয়ামদা গ্যাস অমসুং থবক্কী খুদোংচাবশিং অনীমক ফঙহনগনি।

অদুম ওইনমক অফঘানিষ্টানদা টিএপিআই প্রোজেক্টশিং হৌবগী মতাংদা রিপোর্ট কয়া ফোঙনখিবা লৈরবসু হৌজিক ফাওবা থাঙ্গৈশেংনা থবক পায়খৎপা উদ্রিবনি। কিলোমিটর ১৬৮০ শাংগদবা টিএপিআই গ্যাস পাইপলাইন অসিনা অফঘানিষ্টানগী হেরাট অমসুং কন্দহার প্রোভিন্সশিংগা পাকিষ্টান অমসুং ইন্দিয়াগা শম্ন হনগনি। প্রোজেক্ট অসিগী চাদিং অপুন্বগী চাদ ৫ অফঘানিষ্টান্না পুথোক্কনি। প্রোজেক্ট অসি চহী ৩০ রোমগী মমাঙদা পায়খৎপা হৌখিবনি।